## জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবীগনু : সিকো

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো) গী ৯লকশুবা মপোক কুমওন নুমীৎ ওগষ্ট ৫ দা পাঙথোক্লগনি। লমদম অসিদা লৈরিবা কন্নাগুম্বা লূপ অমত্তনা ওগষ্ট ৪ অমদি ৫ দা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবীগনু হায়না সিকোগী সেক্রেটরি জেনরেল কোন্থৌজম ইবোচৌবা খা-ঙানবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, সিকোনা ওগষ্ট ৫ দা ইম্ফালগী কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবসিদা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবীরক্তনবা কংলৈ ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা হায়জরি। সিকোনা হায়জরিবা অসিদা লমদম অসিগী লূপ খুদিংমক্না লুম্না লৌবগা লোয়ননা মখল অমত্তগী অয়েৎ-অপন পীবীরক্তনবা হায়জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): নুঙ্গৈই, য়ৌরবুং, ইতম নুঙ্গৈই, য়ৌরবুং খুনৌ, শওম্বুং কবুই খুঞ্জাওগী খুঞ্জা কয়া ফম্মিন্নদুনা শেমখিবা নুঙ্গৈই লিতান মখোঙ টু নাগামপাল দিজল ওটোরিক্সো সর্ভিস প্রোটেক্সন কম্মিটিগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম শ্যামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, কম্মিটি অসিগী থৌ পুনবা খনখিবা মীওই ১৫ গী মনুংদা কনভিনর ওইনা শ্যাম খনখি। নুঙ্গৈই লিতান মখোঙ টু নাগামপাল চেল্লিবা ওটোরিক্সোশিং অসিদা পেসেঞ্জরশিংনা তোংবদা অপনবা পীবীগনু। অথিংবা পীরকপা তারবদি কম্মিটি অসিনা থেংনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ‘অচুম্বা পুথোকপিয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় বেবিসনা মীশিগী মতাংদা থিজিল্লিবা অসিদা ফংলকপা ইভিদেন্সশিং অদু শেমদোক শাদোক তৌবিদনা অচুম্বা পুথোকপিবগা লোয়ননা মতীক চাবা ৱায়েল চখবিয়ু হায়না লংথবাল চিঙথক ক্লব অমদি লংথবাল চিঙ্খা ক্লবনা প্রেসতা থাদোরকপা অপুনবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। বেবিসনানা লৈখিদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না পল্লদুনা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু থম্মোয় শেংনা শরুক য়াজরি হায়রি।

## লাই য়েকপা চাংদম্নগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমাক্সু) না অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা থৌরমগা লোয়ননা ফ্রিদম ফাইটর ওফ মণিপুর হায়বা থীমদা ক্লাস সেভেনদগী টেন ফাওবা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবা অমা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৩ দা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোক্লগনি হায়না অমাক্সু হেদ ওফিসকী ইনফোর্মেসন এন্দ পল্লিসিটি সেক্রেটরি মৈরাবা মীতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চাংদম্নবা অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা লৈগনি। কোন্সোলেসন প্রাইজসু লৈগনি। শরুক য়ানিংবা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী স্কুলদগী, জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা লৈবা অমাক্সু হেদ ওফিস অমদি থৌবাল নেপ্রা কম্পেনি মখা লৈকায়দা লৈবা অমাক্সু থৌবাল ব্রাঞ্চকী ওফিসতগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎ চহী অসিগী ওগষ্ট ৯ দা ওইগনি হায়রি।

## ফৌ হৌবা ঙমদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): নোং মতিক চানা চুদবদগী লৌ পাল্লবসু ফজনা হৌবা ঙমদ্রে হায়না ওর্গানিক প্রোগ্রেসিভ লৌমী লূপ (এফ আই জি) গী সেক্রেটরি ৱাই সরত মীতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা উয়ুম্পোক খুঞ্জাও, উয়ুম্পোক মমাঙ লৈকায়, উয়ুম্পোক ৱাখোং অমসুং উয়ুম্পোক নুংসুমগী লৌকোলশিং চগেম, পাঙখা, কুম্ভেপোকপী, কৌখাপোকপী, শুদা, লোকয়ি অমসুং খঙলাপোকপী লৌকোলদা লৌ পরি ৭০০ রোম কুমশিগী ফৌ হুল্লবসু নোং মতিক চানা চুদবদগী ফজনা হৌবা ঙমদ্রে। হৌরিবা খরসু কংশিল্লক্লে। লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা অথুবা মতমদা ঈশিং চিংনবা পম্প পীবীনবা অমদি মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অফবশিং থবক্তা ওন্থোকপদা ঈকায়নিংঙাই লৈতে : শ্যামকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): অফবশিং থবক্তা ওন্থোকপদা ঈকায়নিংঙাই লৈতে হায়না মহুদ মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টর, ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা হন্দ্রেদ দেজ ইম্পেক্ট ইনিসিএটিব স্বাছ এস ঐচ জি পরিৱারগী ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপতা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সী (মুদা) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, ঐখোয়না খঙলিবা ৱাখল-লৌশিং কয়া অসি অমগা অমগা তান্নরগা থবক্তা ওন্থোকপা মতমদা অফবা ওইগনি হায়না ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা অফবা থবক কয়া পায়খৎপীয়ু। উ-চারাশিং শেল্লগা য়োনবসু য়াগনি। হকশেলগী তেংবাং ফনা পীরবসু ইনভাইরনমেন্ট কায়থরক্লবদি মসিগী কান্নবা ফংলোইদৌরিবনি। উ-চারা থাবগী থবক নীংথিনা চঙশিনবা তাই। লুপা ২০ পীবা ক্বা চাবদদি ঈকায়নদে, লেম্না লৌনৈ। ইম্ফালদা লুপা ৩০০ পীবা ক্বা ফংই। মদুসু অদুম্মক চানৈ। উ-চারা শেম্বদা ঈকায়বীগনু। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লৈবসু য়াগনি। উ-চারা থাবগী কান্নবা কয়া অসি অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসিদগীসু খঙবা ঙমগনি। ইনভাইরনমেন্ট কায়থরকপদগী হকচাংদ লায়না-তীন্না ময়াম অমা থোরক্লি। ঐখোয় নাদনা লৈনবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ষ্টেট হেল্ঠ এজেন্সীগী সী ঈ ও, এন বন্দনানা হায়খি, সী এম ঐচ টি অমদি পি এম জে ৱাইগী মরমদা মীওই খরনা খঙলবসু খঙদবা কয়া লৈরি। মণিপুরদা পি এম জি ৱাইনা কান্নবা ফংগদৌরিবসি মীশিং লাখ ১৪ রোমনি। হৌজিক ফাওবদা ফংলিবসি মীওই লাখ ১.৩ রোম খক্তনি। হিরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙনবা হোৎনমিন্নসি। হকশেলগী মরমদ লৌখৎলক্লিবা থৌরাং কয়া অসি খঙবা তাই। লায়রবা ইমুংগী মীওইশিংনা লায়েংবদা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী মতেং ফংগদৌরিবনি। মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবা মীওই লাখ ১৪ হেনবা অসিনা সী এম ঐচ টিনৎত্রগা পি এম জে ৱাই কার্দ পায়বা হায়বসি মশাগী রাইটনি। মণিপুরদা সী এম ঐচ টি অমদি পি এম জে ৱাই কার্দ পায়রগা চঙবা য়াবসি হোস্পিটাল ১৫ নি। মসিগী মনুংদা প্রাইভেট হোস্পিটাল তরুক য়াওরি। থা অসিগী ৩০ ফাওবদা পি এম জে ৱাইগী ওইনা মীওই লাখ ১.৩৫ না কান্নবা ফংবা ঙমখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর এন জি উতমনা ফোঙদোকখিবদা, মচি ওইবা চীঞ্জাক্না করি কান্নবগে হায়বসি খঙদবা য়াদে। হকচাং ফনা লৈনবা অফবা চীঞ্জাক চাবা তাই। হিরম অসিগী মতাংদা এৱ্যেনেস চঙই। অচাবা এঞ্জাং অমা হঞ্জিন হঞ্জিন চাবগী মহুৎতা মখল মথেল, মনা-মশিং কয়া চাবা তাই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা মহুদকী কম্মিস্নার এম জয়না প্রসিদেন্ট ওইখি। মহুদকী দিরেক্টর টি ঐচ হরিকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## অচুম্বগীদমক থবক তৌবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা ফম থাদোকপীরো : দেসাম

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): বোর্দ ওফ এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট কন্দবা য়াদে, অচুম্বগীদমক থবক তৌবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি মণিপুরগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা ফম থাদোকপীরো হায়না দেসামনা ফোঙদোকখ্রে।

দেসামনা শীন্দুনা উরিপোক রোদতা লৈবা স্কুলশিং, টিদ্দিম লম্বীদা লৈবা স্কুলশিং, কাঞ্চিপুরদা লৈবা স্কুলশিং, ৱাহেংবম লৈকায় অমদি লাংজিংগী পারি ইমোম য়াওনা হ্যুমেন চেন অমদি ৱাকৎ মীফম কয়া চখদুনা বোর্দনা ঐচ এস এলসীগী এগজামদা মার্ক পীবদা চুম্না তৌদবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল সিতল ওইনামনা হায়খি, ঐখোয়না চঙশিল্লিবা খোঙজং অমসুং তাল্লিবা দিমান্দ অসি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন কন্নবগীদমক্তনি। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসনগী ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনগী চে য়েংলিবা ওজাশিং অরান-অহুইনা পীক থল্লে। চে য়েংবা হৈতবা ময়াম অমনা চে য়েংলে হায়বগী খুদম চাংদম দেসামনা ফংলে। মার্ক পীবা য়াবদা পীদবা, পীরোইদবদা মার্ক পীশিনবা থোক্লে।

মসিনা হেদ এগজামিনরশিংনা মথৌ মশক খঙনা তৌদবদগী মরম চাদনা মার্ক টেব্যুলেসন তৌবগী মমি চাউনা তারে। অরান-অহুই তৌরিবা ওজাশিং কনখৎতুনা থমগনি খল্লিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ফম থাদোকপগী মতম ওইরে। অচুম্বগীদমক্তা থবক তৌবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি মণিপুরগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংবীরগা ফম থাদোকপীরো।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী ওথোরিটিসু চে য়েংলিবা ওজাশিং, হেদ ওফ এগজামিনরশিং অমদি স্ক্রুটিনি ওজাশিং শিনে দাক্কদবনি। অরান-অহুই তৌরিবা ওজাশিং চৈরাক পীগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। মসিগীসু মথক্তা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসনগী সেক্রেটরি অমদি দেসামগা ফম্মিন্নদুনা য়ানখিবা থবক ওইনা পাঙথোক্কদবনি। আর টি আই থারকপা পেপর খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি হায়বদু হৌজিক শেন্দানফম ওন্থোক্লে।

লুপা ১০ পীরগা পাউখুম পীবা য়ারোই, পেপর অমগী লুপা ১০০০ পীরগা আর টি আইগী পাউখুম পীগনি হায়দুনা শেন্দানফম ওইবগী ৱাকৎ দেসামদা লাক্লে। অথুবদা আর টি আইগী পাউখুম পীদ্রবদি মসিগী চপ চাবা পাউখুম দেসামনা অথুবা মতমদা পীরগনি। দেসামনা তাল্লিবশিং থবক্তা ওন্থোক্তবদি মীয়ামগী খোঙজং কনশিল্লক্লগনি। ঐচ এস এল সীগী এগজাম হায়দোকপদা মমাঙ চহীদা থোকখিবা মার্ক টেব্যুলেসন, মার্ক টেম্পরিং তৌরকপদগী মীয়াম্না থাজবা থল্লক্তবা হুরানফম ওইনা উরকপা কয়াদগী বোর্দ কন্নবা হোৎনবনি।

মখা তারদুনা সেক্রেটরি জেনরেলনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ গী ঐচ এস এল সী এগজাম হায়দোকপদা পেন্দবা ৱাকৎ কয়া লাকপদগী বোর্দকী আই এ এস ওফিসর অমনা লুচিংবা মীওই অহুম্না শাবা ইনক্বারি কম্মিটি শেমদুনা থিজিনখি। মসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবগীদমক্তনি। থিজিনখিবা ইনক্বারি রিপোর্ট লৈঙাক্তা পীখিবা চহী হেল্লবা ফাওবদা নমশিন্দুনা থম্বীখ্রে। দেসামনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। লৈঙাক্না মতম মতমগী পাউখুম পীদুনা নমশিন্দুনা লাক্লি।

মসিগী মহৈনা চহী অসিগী ঐচ এস এল সী এগজাম হায়দোকপদা ঙক্লিংঙাই ওইবা কয়া মমাঙ চহীদা থোকখিবদুদগী হেন্না থোক্লে। রেঙ্ক চল্লকপা মহৈরোয়শিংনা মার্কশিং য়েংজবদা মার্ক হেন্না ফংলল্লে। রেঙ্ক চল্লমদবশিংসু চল্লম্বা মহৈরোয় কয়া য়াওরে। পেপর মশিংসি ৩৯২ নি অনীশুবা ফেজদনা ৩২ নি। মীদা হায়রগদি ১০০ খক্তনি। মী ১০০ অসিদা মীওই ৫২ দি মার্ক হেন্না শৎতোক্লগা হেনগৎপীখ্রে। মসিগী মথক্তা মীওই ৪/৫ না রেঙ্কতা চল্লল্লে। অথুবা মতমদা চে য়েংবদা অরানবা তৌরিবা ওজাশিং মীয়ামদা খঙহন্দুনা চৈরাক পীগদবনি হায়খি।

## বেবিসনা লৈখিদবগী মৈরা কৎতুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা য়াম্না চিঙননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদ্রবী নিংথৌজম বেবিসনাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মীয়াম্না ঙসি লৈরোল চনখিবদা আর্টিষ্টশিংগী ওইবা ওর্গনাইজেসন য়ুম্বীনা ঙসি কঙলা শনথোংদা মৈরা কৎতুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বেবিসনাগী থৱায়না ইংনা চিক্লা লৈখিনবগী মিনিট অনি তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুম্বিগী ফাওন্দর অমসু ওইরিবা শৈশকপা রনবির থৌনানা হায় বেবিসনা ইচানা লৈখিদবা অসি চুম্না থোকপা থৌদোক অমা নত্তবা অমদি অচুম্বা ৱায়েল ফঙদ্রিঙৈদা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা লৈরোল চনখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসি মীওইবা অমা ওইনা থম্মোয়না য়াবা ঙমলোয় হায়খি। পেন্দবা ময়াম অমদি লৈরে করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা মীহাৎপা অদু পুথোকপীরক্লবদি মীয়াম্না অপেনবা হায়বদু ওইগনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা হায় ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা অসিগুম্লবা থৌদোকশিং অসি য়ুম্বীগী মেম্বর গুরুময়ুম বোনি, সনি, এ জে মৈস্নাম, অর্বিন, কেনেদি, পুস্পরানী, সুরমা, সুস্মিতা, লিন্দা অমদি ওর্গনাইজেসন অসিদা থবক তৌমিন্নরিবা আর্টিষ্টশিংনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাতবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি। ওর্গনাইজেসন অসিগী এদভাইজর ওইনা থৌ পুরিবা মণিপুর দিজিটেল ফিল্মগী শক্লাইরবা গুরুময়ুম বোনিনসু নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, য়ুম্বী হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিনা লমদম অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লকপা খুদিংমক্তা শরুক য়াজনিংবনা অমদি ঙমজবা খরদং ওইরবসু তেল্লবা মীওইবগী পুন্সি মতেক অসিদা লমদম অসিদা কন্ট্রিব্যুট তৌবা পামদুনা অমদি এ বেটর টুমোরো ষ্টার্টস টুদে হায়বগী মোটোদা ওর্গনাইজেসন অসি লিংখৎখিবনি হায়খি। ওর্গনাইজেসন অসিনা ঙসি বেবিসনানা লৈখিদবা অসিদা লমদম অসিগী মীওই অমা ওইনা অমদি ঐখোয়গী ইথৌনি খন্না ঙমজবা ওইনা মণিপুরগী পুৱারি ওইরিবা শেংলবা লাইফম কঙলা সনথোং অসিদা মৈরা কৎতুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অচৌবা ইস্যু অমা ওইরিবা ইচন বেবিসনানা লৈখিদবা অসি লাইবক থিবা থৌদোকনি। অসিগুম্লবা থৌদোক অসি মহৈরোয়শিংদা মতুংদা অমুক থোকহনবা পামদে অমদি বেবিসনা মতম চাদনা মফম মরাং খঙদনা লৈখিদবা অসি য়াম্না পেন্দে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী মেম্বর অমসু ওইরিবী শৈশকপী পুস্পরানীনসু ফোঙদোকখি। বেবিসনাগী থৱায়না ইংনা চিক্লা লৈরুনবগী তাইবং মপুদা খুরমজবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী কংলা সনথোংদা মৈরা কৎখিবগী থৌরম অদুদা য়ুম্বীগী মেম্বর এ জে মৈস্নাম, অর্বিন, কেনেদি, পুস্পরানী, সুরমা, সুস্মিতা, লিন্দা অমদি লমদম অসিগী শক্লাইরবা ম্যুজিসিয়ন, আর্টিষ্ট অমদি য়ুম্বিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বেবিসনা মীশিগী অশেংবা লংলা-লংজিল অথুবা মতমদা পুথোকউ, অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্লিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি অমদি লৈখিদ্রবা বেবিসনাগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়না ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত পার্কতা কেন্দল কৎতুনা থৌনিখ্রে। ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং খা মণিপুর কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এম সী) ককচিংকী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অনীনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা কেন্দল কৎপা অদুগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট অনী তুম্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

## লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১: গুরু অরিবম ঘনপ্রিয়ানা ইবা নুংশি খোঙ্গুল লীবা (দ্রামা) গী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম ওগষ্ট ৪ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) গী সেক্রেটরি কুমার চনুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লৈকোলনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা নোংমাইথেম কিরনকুমার, কনভিনর মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীনা অথোইবা লেংবীরকপা, লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা থৌরম মপু ওইগনি। লৈকোলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর নহাকপম অরুনা, রিজনল আউরিচ ব্যুরো, ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিস কোঞ্জেংবম সোনিকুমারনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইগনি হায়রি।

## এমসু ইবোতোনসনা য়ুনিটকী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১: ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ময়ায় লোয়শঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি এগজিক্যুটিবশিংনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা অপূনবা মীফম অমনা মহৈরোয় ২৫না শেম্বা এমসু ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়ুনিটকী কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী পল্লিসিটি এন্দ ইনর্ফোমেসন সেক্রেটরি তৌরাংবম মনোজ কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীপাল তাংদবা অৱাংবা থাক্কী মহৈগী কাংলোন অমা শেমদুনা ইরৈপাকপু চাওখৎহন্নবগীদমক এমসুনা মতীং লৈবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পান্দমদা লীশাং শীংনা চহী ৫৩ হেনবসি খোঙফম চেংনা লেপ্তুনা লাক্লি। পান্দম অসিদা পরিং নাইনা চখরক্লিবা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিটশিংগী রিফোর্মেসনগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নৌনা থৌ পুনবগীদমক খল্লবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা খৃষ্টিনা লোংজম, জেনরেল সেক্রেটরিদা এল উর্সিলা, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা বোনিতা, ঐচ আর দিদা রুচিকা লৈশাংথেম, আই পি এসতা টেরিশা অমসুং ওদিটর জেনরেলদা অঙোং য়াইফবীনি। মীফম অদুনা মখা তানা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অকনবা মীৎয়েং চঙবা অমসুং লৈপাক্কী ইস্যুশিংবু সোল্ব তৌনবা হোৎনবদা এমসুকী থৌমীশিংনা খ্বায়গী মাঙজিল থানা অঙম্বা থৌদাং লৌবা হায়না অমুক হন্না ফিরেপ চেৎশিনখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## রেদিও ক্যুজ কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): স্যের এন্দ ক্যের (এস এ সি), ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রী মপালনা শীন্দুনা মেন্টেল হেল্ঠকা মরী লৈননা ‘লৈতারসি পুক্নিং ৱাখল’ হায়না মিংথোনবা রেদিও ক্যুজ কম্পিটিসন অমা ওগষ্ট ১৫দগী পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না এস এ সিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর দা. আর কে লেনিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হায়রিবা রেদিও ক্যুজ কম্পিটিসন অসি থা খুদিংগী অহানবা অমসুং অহুমশুবা শগোলশেন নুমিত্তা ওল ইন্দিয়া রেদিওদা শন্দোক্কনি। ক্যুজ কম্পিটিসন অসিগী টিম অমমমদা মহৈরোয় অনী অনী লৈগনি। থৱায় য়াওবা ক্লাস ইলেভনদগী গ্রেজুএট ফাওবগী মনুংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা মীওই অনীগী টিম শেমদুনা মখোয়গী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বরশিং অদু ফোন নম্বর ৯৭৭৪১৭৯৫৫৪ অমসুং ৮৭৩২০০৭৫০৪ দা ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা এস এম এস ওইনা থাবীরক্কদবনি। কম্পিটিসন অসিগী প্রাইজশিংদি লুপা ৫০০০, ৪০০০ অমসুং ৩০০০ মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসং অহুমশুবা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পার্লিয়ামেন্টতা লোল ময়েক্কী মতাংদা এম পি রঞ্জননা পুখৎপীরকপগীদমক থাগৎলি : মীলাল

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক্লা এম পি, আর কে রঞ্জননা পার্লিয়ামেন্টতা লোল ময়েক্কীদমক পুখৎপীরকপা ৱাফমবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না মীলালগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ য়াংলেম বিরেন মীতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পার্লিয়ামেন্টতা ফল্লিবা মণিপুরগী মীহুৎশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্লোন পায়রিবা খুদিংমক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। কুমজা ১৯৯২ গী ওগষ্ট ২০ দা মণিপুরী লোল ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা চনখি। চহী ২৭ মপুং ফারবা ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্না লোল-ময়েক্কীদমক হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবীদে। মসিগী ময়েক লায়রবা খুদমদি, মণিপুর লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯ দা রিটন ইন বেঙ্গলি স্ক্রিপ্ট হায়না য়াওরিবসি রিটন ইন মীতৈ ময়েক হায়না ওন্থোকপা ঙমদবা, ইন্দিয়াগী ওইনা চৎনরিবা শেনয়েক্তা মীতৈ ময়েক য়াওবা ঙমদবা, মীতৈ লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা পুখৎপা ঙমদবা হায়রিবশিং অসিনা ময়েক লারবা খুদমনি।

মরুওইবা ৱাফম অসি মীলালনা লৈঙাক্তা চহী কয়াদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন তক্লদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা তাশিন-উশিন্নদনা লৈরকখিবনি। এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা জিরো অৱারগী মতমদা মণিপুর লৈঙাক্তা তক্লদুনা লাকপা য়াম্না মরুওইবা ৱাফমশিং পুখৎপীরকপগীদমক মীলালনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ৱাফম অসি হন্দক্কী নোংজু মীফম অসিদা পুথোকপীদুনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবনি। লোল ময়েক অসি মহৈ লোয়শঙশিংদা ক্লাস ৱানদগী হৌদুনা ঙসি-ঙসিমক মণিপুরগী তাঙলবা তাইবং মহৈকোল ফাওবা তম্বা ঙম্লবসু মখা তানা চঙশিনগদবা থবক থৌরম কয়া লৈরি। মরম অসিনা লৈঙাক্লোয়শিংনা তুংলমচৎকীদমক ৱাখল খনবীদুনা লোল ময়েক্কীদমক অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু।

হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরিবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না মহৈরোয়শিংনা মাষ্টর/ পি ঐচ ঈ দি/ য়ু পি এস সীনা লৌবা চাংয়েং কয়াদা মরাইবক লেপচবা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্না খুদক্তা থবক ওইনা ওন্থোক্কদবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্লোয়শিংনা ঙাঙখিবা ৱাফমবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা চিনগা খুৎকা মান্নহনবীয়ু। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ইমোসনদা পংহাই হায়দুনা মীয়ামদা কায়হৌবা তৌবীগনু। মরম অসিনা ঙাংখিবা ৱাফমবু থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবা তারবদি মীলালনা কৈদৌনুংদা তুমীন্না লৈথোক্লোই হায়রি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী অরিবা অমসুং অনৌবা দোক্যুমেন্টশিংবু মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকপীদুনা এসেমব্লীগী লাইব্রেরীদা ফংহনবীবগীদমকসু মীলালনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং (এন আই এ এম) জয়পুরগী মীৎয়েং মখাদা কৃষি ভিগ্যান কেন্দ্র (কে ভি কে) থৌবাল অমসুং মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি-বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম, ইম্ফালনা পুন্না শীন্দুনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম, প্রোসেসিং এন্দ মার্কেটিং হায়বসিদা নুমীৎ হুম্নী চখরকপা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

কে ভি কে থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর এ সুভাস, আই এ এসনা অথোইবা মীথুং, নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং, জয়পুরগী দিরেক্টর দেপ্যুটি দিরেক্টর (স্কিল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসন) ডা. এস আর সিংহনা থৌরম মপু, মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম ইম্ফালগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এম এস খাইদেম, কে ভি কে থৌবালগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমদি হেদ ডা. এস জে শমারানিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এগ্রিকলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর এ সুভাসনা ফোঙদোকখিবদা, নুমীৎ হুম্নীগী ট্রেনিং অসি মতাং য়াম্না চাবা চহী চুপ্পা ফার্মর ইনকম লাক্লবগী সিষ্টেমদা লাকপসিগী য়াম্না মরুওইবা ট্রেনিং অমনি। মণিপুরদা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌবসি মশিং য়াম্না লৈতে। সিঙ্গল লাইনদা লম মাঙহল্লগা চৎপগী সিষ্টেম অসি হোংলক্লবা ট্রেনিং তৌরগা খঙহনবনি হায়খি।

ট্রেনিং য়াওরগা খঙলগা লৈবা অদুনা মায় পাকপা নত্তে। ট্রেনিং য়াওরিবশিংনসু খঙজিল্লগা লৈবদু খক্তা নত্তবীদা অতোপ্পা ট্রেনিংদি য়াওবা ফংহৌদবা ফার্মরশিংদা ৱারী শাবীদুনা স্যের তৌনদুনা পুল্লপ ওইনা চাউখৎমিন্নসি হায়নসু লৌমীশিংদা আপিল তৌখি। ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌরগদি মণিপুরগী শেন্মীৎলোন অদুক্কী মতিক হেনগৎলক্কনি হায়খি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম অদুদা কে ভি কে থৌবালগী ফার্ম মেনেজর ঈ জিতেন, কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস এম এস-পি বি জি, এস গুনমনি, এগ্রিকলচর লোয়শঙগী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র আই একেন্দ্র অমদি এন আই এ এম জয়পুরগী স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসনগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. আর এস সিংহনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা রিছোর্স পার্সন ওইদুনা লৌমীশিংদা তাকপী তন্বীখি। শরুক য়ারিবা লৌমীশিংনা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুমশিংসু রিছোর্স পার্সনশিংনা পীখিবগা লোয়ননা ট্রেনিংদা শরুক য়াখিবা লৌমীশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

## এন্ট্রান্স টেষ্ট

ইম্ফাল, জুলাই ৩১: বি ঈ দি অহানবা সেমিষ্টর ২০১৯ গী এন্ট্রান্স টেষ্ট ওগষ্ট ৪ দা দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদ্যুকেসন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লগনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ ইন-চার্জ ডা. এল সারমেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ওগষ্ট ১ ফাওবা এদমিট কার্দ ইস্যু তৌগনি। এন্ট্রান্স টেষ্ট ওগষ্ট ৪ দা তৌগনি। অয়ুক পুং ১১ দগী পুং ১২ ফাওবা টেষ্ট পাঙথোক্কনি হায়রি।

## কেপ্তেন অমা ফারে

থৌবাল, জুলাই ৩১: থৌবাল পুলিস কমান্দোনা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল ৱাংমা তাবা মনাক্কী টাটা মেজিক পার্কিংদগী কে সি পি (কে কে ঙানবা) কাংকুগী কাদর অমা ফারে। মহাক্কী মমিং নিঙোম্বম অরুনকুমার এলিয়স অরুন এলিয়স সান্টোস (৪৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন মোধু কৌই। মহাক্না নিঙোম্বম কৈথেলদা লৈবনি। মহাক কে সি পি (কে কে ঙানবা) কাংকুগী মশানা মশাবু কেপ্তেননি হায়জবা মীওইনি হায়রি।

## থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): বৃটিশনা কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৪ গী অহিং নোংয়াইদা মণিপুরগী নীং-খা তম্বা পীরম্বা নুমীৎকী থৌরম কষ্টম এন্দ ট্রেদিসনল ওবজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগা লাক্লি। হন্দক্কী অসি থারগা ২৯ লকশুবা ওইনা জি এম হোলদা থৌরম অসি পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কন্ট্রোল্লর পি শরতনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মণিপুরগী মরুওইবা কৈথেল তরেৎতা পুংফম অমদা পাখংবা য়েকপা নীং-খা তম্বগী ফিরাল চিংখৎলবা মতুংদা ময়াই লোয়শঙ ইম্ফালদা ওক্কনি। নুমীৎ অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ, ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবীগনু। নুমীৎসিদা অহিং অমগী মণিপুর হায়না মিংথোনবা দ্রামা উৎকনি হায়রি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-P/3944/21/7-20/8

DADDYSROAD
Owner & Vehicle Safety Service
Solution to
Contact a Vehicle owner instantly




24x7
Customer Service
GET STICKER NOW
Rs. 499/- only
for Lifetime.
Authorize Distributor:
HelpingHand Service
Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal,
Mobile: 9774073552
Please visit for details:
www.daddysroad.com
HL-P/3484/27-31July/1-26aug.